# মনোরামা এফ সী তৌবুলনা জিতেন এফ সী মোইরাং খুনৌ হাওগ্রমপাৎ থোইদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে



**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭(ঐচ এন এস):** হাওগ্রমপাৎ য়ুঠ সোসল ৱেলফেয়র এসোসিএশননা শীন্দুনা থাঙ্গ এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুং চন্না লৈবা হাওগ্রমপাৎ প্লেগ্রাউন্দদা মমাং থাগী ৮দগী হৌরগা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তিতা লৈবা তোঙান-তোঙানবা টিম ২৮না শরুক য়ারগা চথুরকখিবা অনীরকশুবা ঐচ ৱাই এস দল্লিয়ু এ হাওগ্রমপাৎ য়ুঠ এন্দ সোসল ৱেলফেয়র এসোসিএশন ৫ মেন ফুটসাল নোকআউট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা লোইশিনবা নুমিৎতা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা মনোরামা এফ সী তৌবুলনা জিতেন এফ সী মোইরাং খুনৌ হাওগ্রমপাৎপু মায়থীবা পীরম্লগা চথুরকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

ঙসি লোইশিনবা নুমিৎতা টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা চাংচৎতা হৈ-শিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখি। অদুবু মেটচকী অপীবা অরোইবা মতম ফাওবদা মনোরামা এফ সী তৌবুলনা পাঞ্জল ৭-৪দা জিতেন এফ সী মোইরাং খুনৌ হাওগ্রমপাৎপু মায়থীবা পীরম্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী মপু ওইবা ঙমখিবনি।

ঙসিগী লোইশিনবগী থৌরম অদুদা নেশনল পিপলস পার্টি মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি (এদমিনিষ্ট্রেশন) হৈস্নাম রুসেলনা অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা হায়, টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লিবা শান্নবুং অসি মহাক্না শেমগৎখিবগী মরম কয়া লৈ। লমদম অসিগী তুংগী য়ূম্বীরেল ওইরক্কদবা নহা কয়া ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী ঈপাক্তা তাশিল্লকপা অসিগী মরুওইবা মরম করিনো হায়না থিরুবা মতমদা তোঙান-তোঙানবা মরম কয়া লৈরমখি। মদুগী মনুংদা শান্নফম মতিক চানা লৈতবনা নহা কয়ানা মচি-মচিদা পূনশিল্লগা ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাবা অমদি নৎতবা লীচৎ চৎলকপগী থৌওংশিং থোক্লকপনি। মহাক্কী লৈখিদ্রবা অপোকপা রিটায়র্দ এম সী এস কুল্লচন্দ্রনসু থাঙ্গ মায়কৈদা শান্ন-খোৎনববু য়োকখৎনবা মঙলান কয়া মঙলমখি। মদুগী শরুক অমা ওইনা মহাক্না লম্পাক অসি শেমগৎপনি। মায়কৈ অসোমগী দিভলপমেন্টকী থবক তৌরকপা মতমদা পোলিটিক্সকা মরী লৈনবা মমিশিং তাহন্নীংদে। মরম অদুনা দিভলপমেন্টকী ওইবা মীয়ামগী থবক্তদি য়ারিবমখৈ পোলিটিক্স পুশিনবীগনু হায়খি।

ঙসিগী ৱিন্নর ওইখ্রবা টিমদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ৬০ অমদি ট্রোফি অদুগা রন্নর্স অপ তাখ্রবা টিমদনা শেল ওইনা লুপা লিশিং ৩০ অমদি ট্রোফি পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

## সী এফ এনা থোইখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭ (ঐচএনএস):** ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেশন (এ আই এফ এফ)কী মীৎয়েং মখাদা মেঘালয়দা চথুরিবা রিলায়ন্স ফাউন্দেশন দিভলপমেন্ট লীগকী ওইনা ঙসি ক্লাসিক ফুটবোল একাদেমি (সী এফ এ) অমসুং নোর্থইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা সী এফ এনা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সীবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীরম্লগা পোইন্ট টেবলদা পূন্না পোইন্ট ২২ ফংলগা অনীশুবা মফম কনবা ঙমখ্রে। অদুগা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সীনা পোইন্ট ২৩ ফংলগা অহানবদা লৈরি। সী এফ এগী ঙসিগী পাঞ্জলশিং অদু ভারৎ লাইরেঞ্জমনা চনখিবনি।




# পি টি আর সীনা এ কে এস দি ও মায়থীবা পীখ্রে




**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭(ঐচ এন এস):** মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএশন (এম এন সী এ)না শীন্দুনা হৌজিক চথুরিবা ৪রক শুবা এম এন সী এ সিনিয়র ৱিমেন্স ৱান দে ট্রোফি ২০২৪-২৫গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা পি টি আর সী পাৎসোইনা এ কে এস দি ও খাঙবোকপু লাকচনা ৱিকেট ৮দা থোইবা ঙমখ্রে।

ঙসি অয়ূক অঙনবদগী হৌরগা থাও গ্রাউন্দ থাংমৈবন্দদা টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টৌস এ কে এস দি ওনা ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌদুনা শান্নখি। এ কে এস দি ওনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা টিম অদুগী বেটসমেন দাইনা মোইরাংথেমনা বোল ৫১ মায়োক্নবদা রন ২০ অদুগা রবিনা খুন্দ্রাকপমনা বোল ৪১ মায়োক্নবদা রন ১৯ লৌরমখিবা অদু নৎতনা লেমহৌরিবা টিম অদুগী বেটসমেন অমত্তনা দিজিট অনী শুনা রনশিং লৌবা ঙমখিদবদগী অপীবা ওভর ৩৫ লোইবদা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ৮৪ লৌবা ঙমখি।

পি টি আর সীনা টার্গেট রন ৮৫ লৌবা ঙম্নবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা টিম অদুগী বেটসমেনশিংনা মায়োক্নরিবা টিমগী বোলরশিংগী এটেক হৈন-শিংনা মায়োক য়াদুনা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা শুপ্নতগী ওভর ৯.৩ লোইবদা টিম অদুগী ৱিকেট ২ তুরগা টার্গেট রন হেন্দোক্তুনা পূন্না রন ৮৮ লৌদুনা মেটচ অদু লাকচনা ৱিকেট ৮দা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী ৱিমেন ওফ দি মেটচনা পি টি আর সীগী রাজকুমারী লিস্থোইঙম্বীনা তাখি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1407**

**GM Fidel Corrales Jimenez (2555) - GM Dambasuren Batsuren (2531)**
**World Rapid 2024 New York USA, 2024.12.28**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1.e4 c6 | 2.d4 d5 | 3.e5 c5 | 4.dxc5 e6 | 5.Nf3 Bxc5 |
| 6.Bd3 Nc6 | 7.O-O f6 | 8.Qe2 fxe5 | 9.Nxe5 Nxe5 | 10.Qxe5 Nf6 |
| 11.Bb5+ Kf7 | 12.Qe2 Bd6 | 13.Nd2 a6 | 14.Ba4 b5 | 15.Bb3 a5 |
| 16.c3 a4 | 17.Bc2 a3 | 18.Nf3 Re8 | 19.Ne5+ Kg8 | 20.b4 Qc7 |
| 21.Bf4 Qxc3 | 22.Rac1 Qxb4 | 23.g3 Bb7 | 24.Rfe1 Rad8 | 25.Bd3 Ne4 |
| 26.Rb1 Qd4 | 27.Bxe4 dxe4 | 28.Red1 Qc5 | 29.Rbc1 Qb6 | 30.Be3 Qa6 |
| 31.Qh5 Bd5 | 32.Nf7 Rc8 | 33.Bd4 Bf8 | 34. ... | |

**QUESTION :** White to win

**Puzzle 1406 Solution :**

**42. Rd8+ Kh7**
42...Rxd8 43.Qxa6
**43. Qb1+ g6**
43...Qg6 44.Qxg6+ Kxg6 45.Rxa8
**44. Rd7+ Kg8**
44...Kh8 45.Qb2+ Kg8 46.Qg7#Damiano's rook mate
**45. Qb3+ Kh8**
45...Qc4 46.Qxc4+
45...Qe6 46.Qxe6+
45...Kf8 46.Qf7#
**46. Qc3+**
46.Qb2+ Kg8
46...Qf6 47.Qxf6+
47.Qg7#Damiano's rook mate
46.Qf7Mating net Qc6
46...Qd6+ 47.Rxd6
46...g5 47.Qg7#
47.Qg7#Damiano's rook mate
47.Qh7#Damiano's rook mate
**46. ...Kg8**
46...Qf6 47.Qxf6+
**47. Qg7#** Damiano's rook mate
**1-0**










**মমি ৱারী**

## সনা কৈথেল

থৱান



Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com